**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- লমদম অসিদা হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিং মমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন নিংথিনা চেলহনবা মথৌ তাই।

২) সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক ককচিং জিলাগী চীং লুকোক্তা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা বোম্ব য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

৩) ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা হায়রি-লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বস তোংবদা ভারা লৌরোই।

৪) রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুরনাা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ য়াওনা লম্বী খরদা কৌরম্বা মতম কক্তবা বন্দ সরকারগা য়ান্নবদগী হন্দোকখ্রে।

অমসুং

৫) উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- আফ্রিকা মহাদেশকী লল্লোন ঈতিক্কী লমদা খ্বাইদগী চাউবা মরিসুবা মপাং ভারতনা ওইরি।

------

লাইরিক (এল)ঃ রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাউবনা হায়রি- লমদম অসিদা হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিং মমা লৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন নিংথিনা চেলহনবা মথৌ তাই।

ৱাফম অসি ঙসি এঙ্গলো মণিপুর লানগী মতাংদা শ্রী মুনিস নিংথৌজমনা ইবা- অরোনবা খুজিন থৌরাং কৌবা লাইরিক অমা ঙসি সনা কোনুংদা ফোংবগী থৌরমদা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবনি। ঙসিগী লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদু ফুঙ্গা হেরিতেজ অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ মেঘালায়ানা খুৎশমরগা শিনবনি।

মহারাজা লৈশেম্বা সনাজাউবনা মখা তানা হায়- ঙসি ফোংলিবা লাইরিক অসিনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা মরৈবাক মরমদম নুংশিবগী ৱাখল্লোন হেন্না পোকহনগনি হায়বগী থাজবা লৈ। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা অসিগুম্বা লাইরিক কয়া ফোংদুনা মীয়ামদা লৈবাক নুংশিবগী ঈথিল পীনবগী হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- মরৈবাক্কীদমক কৎথোকপা ঙম্বা মীরোল অমা নিংথিনা শেমগৎলবা মতমদা রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা সমস্য কয়া অসি কোকহনবা ঙমগনি।

থোং (এল)ঃ রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকমার সিংহনা উৎলৌ মখাদা শাবা থোং অমা ঙসি শঙ্গাখ্রে। থোং অদু শঙ্গাবগী থৌরমদা পদ্মাশ্রী থৌনাউজম চাউবসু শরুক য়াখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পুরুম পন্থা চৎপা লম্বীগী চীং লুকোক্তা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা বোম্ব য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ৪৬ শুবা অসাম রাইফলস, বি.এস.এফ অমসুং ককচিং পুলিস কম্মান্দোশিংগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থমদা খুৎশু খুৎলায়শিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা রেজিস্তার তৌদবা ফিফতি ৱান এম.এম. মোটার অমা, পোইন্ট থ্রি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ মরি, ৱাকি টোকি সেট অমা, কন্ত্রিমেট সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, কন্ত্রিমেট করবাইন অমা, কন্ত্রিমেট রিভোলবর অমা, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী নোংমৈ মরু ৮৪, সোর্ট গন মরু

৪০, লেথোদ বোম অনি, টিয়ার স্মোগ সেলনচিংবা য়াওরি। থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎলে।

অমরোমদা, সেকুর‌্যিরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চীংঙারেল মনা ইংখোলদগী মীওই অমা ফাবদা চেন্নবনি হায়বা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক রেদ আর্মিগী কেদর অমা মহাক্কী লোয়নবা নুপী অমগা লোয়ননা ফারে হায়রি। মখোয় অনি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা মখা তানা থিজিন্নবগীদমক নুমিৎ ৭ নিগী পুলিস কষ্টদিদা থাজিনখ্রে।

এসসি (এল)ঃ মণিপুরগী চীফ সেক্রেতরি বিনিত জোসিদা সুপ্রিম কোর্টনা কোর্টকী হুকুম ইনদে হায়বগী মরালদা কন্টেম্প নোটিশ থারকখ্রে। মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না ইং ২০১৬ তা থবক লৌনবা পরিক্ষা পাঙথোকখি। পাঙথোকখিবা পরিক্ষা অদু অরানবা কয়া য়াওই হায়বগী ৱাকৎ লাকপদগী পরিক্ষা অদু সুপ্রিম কোর্টনা অমুক হন্না পাঙথোকবা খঙহনখি। ইং ২০২২ দা পরিক্ষা অদু অমুক হন্না পাঙথোকখি। অদুমওইনমক, ইং ২০১৬ তা খল্লগা থবক তৌবা হৌরল্লবা কেন্দিদেটশিং ইং ২০২২ গী পরিক্ষাদা অমুক হন্না মায় পাকপা য়াওখি। অমুক হন্না মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংগী সার্ভিস মরক্তা অহাংবা লৈহন্দনবা সুপ্রিক কোর্টনা ইং ২০২২ দা রাই তাখি। রাই অদু রাজ্য সরকারনা চৎনহন্দনা থম্লে হায়বগী মরালদা কোর্টনা কন্টেম্প নোটিশ অদু মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা থারকখিবনি হায়রি।

বস (এল)ঃ লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বস তোংবদা ভারা অমত্তা লৌরোই হায়না ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা হায়রি।

ত্রান্সপোর্ট দাইরেক্তর ডাঃ নিবেদিতা লাইরেনলাকপমনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা হায়- খুদোংচাবা অসি লৌনিংবা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংনা বস তোংলমদাইদা মখোয়দা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পীবা শক্তাকচে অদু উৎকদবনি। বসকী কন্দক্তরনা আই কার্দকী নম্বরশিং ইশিল্লবা মতুংদা মদু

নুমিৎ খুদিংগী এম.এস.টিগী মেনেজরদা অমুক পীশিনগদবনি হায়রি।

বন্দ (এল)ঃ রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুর, আর.এন.সি.এম-এন.টি.এলনা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী, তোংজৈ মরিল-বিষ্ণুপুর-খৌপুম-রেংপাং লম্বী অমদি লৈমতাক লোক্তাক প্রোজেক্টকী লম্বীশিংদা কৌরম্বা মতম কক্তবা বন্দ হন্দোকখ্রে। লুপ অসিগী মীহুৎশিংগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা ঙরাং নুমিদাং উন্নদুনা ৱারী শান্নবদগী বন্দ অদু হন্দোকখিবনি।

মীফম অদুদা লুপ অসিগী মীহুৎশিংগা সরকারগা য়ান্না চেরোল অমা ইন্নরবা মতুংদা বন্দ অদু হন্দোকখিবনি। মীহুৎশিং অদুনা মখোয়গী লৈরিবা সমস্যাশিং অদু মুখ্য মন্ত্রিদা পাউদমখি। মখোয়গী সমস্যাশিং অদু সরকারগী মাইকৈদগী নিংথিনা খন্নদুনা কোকহন্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

মরক অসিদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী মফম কয়াদা চিং নিংখায়বা অমদি অতৈ লম্বীশিংগী ফিভম ফত্তবদগী হৌজিক জিরিবামদা পোৎ-চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ি ৬৫ পন্দুনা লৈরি। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা এল.পি.জি. পুবা গাড়ি ২৩, ওইল টেঙ্কর ১৮ অমসুং অতৈ পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৪ য়াওরি।

শরেং (এল)ঃ মীতৈ শরেং য়োকপদা মায় পাক্লবা ঙামী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লফুপাৎ তেরাদগী শলাম রোহেন্দ্রোবু মুসুরিদা লৈবা লাল বহাদুর শাস্ত্রি নেসনেল একাদমি ওফ এদমিনিষ্ট্রেসনদা ত্রেনিং তৌরিবা নৌনা আই.এ.এস-আই.পি.এস থবক চংলক্লবা সিভিল সার্ভিস প্রোভেসনরশিংগী ৯৯ শুবা ফাউন্দেসন কোর্সতা ৱা ঙাংনবা বার্তন তৌরক্লে হায়রি। শ্রী রোহেন্দ্রোনা মফমদুদা ত্রেনিং তৌরিবা নহা ওইরিবা সিভিল সার্ভেন্টশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নগনি হায়রি। মহাকা এগ্রিকলচর এন্দ এল্লাইদ সেক্তর ইন দ লাষ্ট ৱিক ওফ ওক্তোবর ২০২৪ হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংগনি।

পনবা য়াবদি, শ্রী রোহেন্দ্রো মণিপুরদা মীতৈ শরেং য়োকপদা মায় পাক্লবা ঙামী অমনি। মহাক ২০২১ দা ফিসরি বিভাগনা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী ঙাগী

মেলাদসু অহানবা মনা ফংখি। ত্রিপুরাগী কলেজ ওফ ফিসরিনসু মহাকপু ইং ২০২২ দা হরিচরন দাস বেষ্ট প্রোগেসিপ ফিস ফার্মরগী মনাসু পীদুনা ইকায় খুম খ্রবা মীওইনি।

সাইক্লিষ্ট (এল)ঃ মহৌশাগী খল ঙাকনবগী পাউজেল পুদুনা চৎলিবা মহারাষ্ট্রদগী সাইক্লিষ্ট জয়েন্তা মহাজন ঙসি নোনে থাদোক্তুনা ইম্ফাল পাংখ্রে। শ্রী জয়েন্তা মহাজন মহৌশাগী খল ঙাকনবগী পাউজেল পুদুনা হং ২০২৩ গী জনুৱারি থাদগী গুজরাতকী নাবাদেদতগী সাইকল থৌদুনা খোঙশানবা হৌখিবনি। মহাকা কিলোমিতর লিশিং ২০ লোম থৌদুনা মীয়ামদা পাউজেল শন্দোক্কনি হায়রি।

নোনে (এল)ঃ মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা খঙহল্লক্লিবা অদু য়েংলগা নোনে জিলাদা মীয়ামা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীয়ামা য়ারিবা মখৈ চীংখোঙ চীংয়াদা থবক শুদনবা, লৌবুক্তা চৎতনবা অমদি শাফবা মফমদা লৈগদবনি। মীয়ামা খুদোংচাদবা থেংনরবদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা খুদক্তা পাউ পীরকবসু হায়রি।

এআর (এল)ঃ উখ্রুল জিলাগী সংসক ভিলেজদা অসাম রাইফলস অমদি খুল অদুগী নহাশিংগা পুন্না খুৎশমদুনা ঙরাং পাক শন্না উ চারাশিং থাখ্রে। উ চারা থাবগী থবক অদু অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিবু অশং অমান্না থল্লবা অমদি মহৌশাগী ওইবা উমংগী পোত্থোক কয়া পুথোকপা ঙমবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মদুদা সংসক ভিলেজগী নহা ৪৩ না শরুক য়াখি। অদুগা সংসক সোর্দে লম্বী য়াওনা অকোইবগী মফমশিংদা উ চারা লিশিং ২,১০০ রোম থাখি।

নাকল অমরোমদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাদা ভারত লান্মীদা থবক চংনিংবা নহাশিংগী ওইবা চয়োল অহুমগী ফিজিকেল ট্রেনিং কেম্প অমা ঙরাংদগী হৌখ্রে। কেম্প অসি আগিপথ ইন্ত্রান্স টেষ্টতা মায় পাক্লবা

নহাশিংগীদমক পাঙথোকপনি হায়না পি.আর.ও আই.জি.এ.আর (সাউথ)না থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চান্দেল জিলাগী নিউ সোমতাল, তুইতোং অমসুং সেলোন ভিলেজদা ঙসি অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড সেনিয়র সিতিজন্স ডে পালন পাঙথোকখ্রে। পালনগী শরুক অমা ওইনা অনা লায়েংগী চেকঅপ কেম্প অমা পাঙথোকপগা লোয়নননা অহল ওইরবা খুঞ্জাশিংদা চান থকবা পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি।

থৌবাল (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিতি অমদি লিগেল এইদ ক্লিনিক কিয়াম লৈতানপোক অনিনা খুৎশমরগা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ৱাইথৌ মপাল জ্নিয়র হাইস্কুল থৌবাল খুনৌদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা দিষ্ট্রিক্ট সেসন্স জজ- শামোম ইবজেলনা হায়-লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিং, নুপী অঙাংশিং, মীমান্নদ্রবশিং অমদি অহল ওইরবশিংনা লিগেল সার্ভিস ওথোরিতিগী মখাদা লেমা আইনগী মতেং লৌবা য়াই। খুদোংচাবা লৌনিংবশিংনা লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী ওফিসতা লাকপীনবসু হায়রি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস অমসুং ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা নেসনেল সফাই কর্ম্মচারি ফাইনান্স এন্দ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা সিৱর অমদি সেফতিক টেঙ্কনচিংবা শেংদোকপদা হকচাংদা লাক্কদবা অমদি থোকহল্লক্কদবা খুদোংথিবশিংদগী ঙাকথোকপা হায়বা হিরমদা ৱার্কসোপ অমা ঙসি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী শোরোক পোকচাউদা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

(এল)ঃ থা অসিগী ২৫ দগী ভিয়েটনামগী হো চিন মিন সিতিদা পাঙথোক্কদবা ৩ শুবা ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া নমস্তে ভিয়েটনামদা রিদমস ওফ মণিপুরগী মীওই ১০ না শাবা আর্টিষ্ট কাংবু অমা শরুক য়াগদৌরি। মসিদা মণিপুরগী ষ্টেট সোং

ওইরিবা সনা লৈবাক মণিপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ অমদি কলচরগী থৌরমশিং উৎকনি হায়রি।

এৱার্দ (এল)ঃ ইমেজেজ ওফ মণিপুর লিংখৎখিবগী ১৫ শুবা কুমওন থৌরম অমদি মীতৈ ঈশৈগী মতাংদা প্রদক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এল.টি.ৱাই.দি.ও কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরী জগোইগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক ডাঃ পুখ্রম্বম তেজপতি দেবীবু ষ্টার এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

ৱারী (এল)ঃ লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ৱারী লীবা লোইশঙনা শিন দুনা মীতৈ পুয়া ৱারী লীবা চাংদমবা অমা মথং থাগী ১৯ দা হয়িং খোঙবাল উখোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি লাইশঙদা পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা মীতৈ পুয়া ৱারী লীবা লময়ানবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি হায়রি।

ধনখরঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- ভারত অসি আফ্রিকা মহাদেশকী লল্লোন ঈতিক তৌবা খ্বাইদগী চাউবা মরিসুবা মপাং অমা ওইরি। ভারতনা য়ুম্বু ওইখিবা জি-ত্বেন্তি প্রসিদেন্সিদা অফ্রিকান য়ুনিয়নবু য়াওহনখিবা অসি লৈবাক অসিগী চাউথোকচনিঙাইনি। ৱাফম অসি উপ-রাষ্ট্রপতিনা সি.আই.আই ইন্দিয়া-আফ্রিকা বিজিনেস কনক্লেভকী অহানবা সেসন হৌদোকপদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়- ভারত অমসুং সাউথ আফ্রিকা মতেং পাংনদুনা ক্লিন টেকে ালোজি, লৌউ শিংউ, মেরিটাইম সেক্যুরিতি অমদি কন্নেক্তিভিতিগী লমদা হেন্না চাওখৎহন্নবগী খুদোংচাবা কয়া লৈ।

কনক্লেভ অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ধনখরনা হায়- ঙসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা অখণ্ড অহৈশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা অমদি তাথোক তাশিন তৌনদুনা কনক্লেভ অসিদা থল্লিবা হিরমশিংদা হেন্না খুমাং

চাওশিন্না থবক তৌনবা হোৎনমিন্নরি। মসিনা তুং কোইনা মালেমদা অফবা খোঙথাং অমা পুরকপা ঙম্লগনি।

গাজা ঃ পেলেষ্টাইনগী গাজা ষ্ট্রিপতা নাকল অনিগী মরক্তা উংখৎনদুনা অশি অনা য়াওরিবা অসিগী মতাংদা শান্তি ৱারী শাননবা ইজিপনা মেদিয়েতর ওইনা শরুক য়াববু য়ুনাইতেদ ষ্টেটস ওফ আমেরিকানা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ইজিপকী অল অলামেনদা ঙরাং থুংলখিবা য়ুনাইতেদ ষ্টেটস ওফ আমেরিকাগী সেক্রেতরি ওফ ষ্টেটস এন্তোননি ব্লিংকেননা ইজিপকী প্রসিদেন্ট অবেল ফাতাহ্ ইল সিসিদা লৈবাক অদুনা য়ুনাইতেদ ষ্টেটসকা লোয়ননা হৌজিক গাজাদা লৈরিবা উংখৎনবা অসি লোইশিন্নবগী মতাংদা নাকল অনি ৱারী শান্নবদা শরুক য়ারকপগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী ব্লিংকেন্না রিজন অসিদা তুং কোইনা শান্তি থমবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্লক্তনবা হোৎনবা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা থবক তৌমিন্নবগী মতাংদসু ইজিপকী প্রসিদেন্টতা থমখি। মহাকা মখা তানা স্বিটজরলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা নাকল অনিগী ৱারী শান্নবা অসিদা ইজিপনা মরুওইনা মীয়ামা মায়োকরিবা অৱাবশিং কোকহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থক্লক্কনি হায়বগী থাজবসু থমখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মহৈরোইশিংনা ইজ্কেসন, রিছার্স অমসুং ইনোভেসনদা হেন্না পুকিং চংনা হোৎনদুনা লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী খোঙজেলদা মতেং পাংশিনগদবনি। ৱাফম অসি রাষ্ট্রপতিনা উত্তর প্রদেশকী ফরিদাবাদতা জে.সি. বোস য়ুনিভর্সিতি ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী কনভোকেসন থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি।

বন্দ ঃ লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা দলিত অমসুং অদিবাসি লুপশিংনা সরকারনা মখোয়দা পীরিবা রিজার্ভেসন পোলিসিদা অহোংবা পুরকপা য়ারোই হায়বগী মতাংদা ভারত পুম্বা কৌখিবা বন্দনা রাজ্য খরদা মীয়ামগী নোংমগী পুন্সিদা অকায়বা পীরে। বিহারগী পাটনাদা পুলিসনা লাঠি চার্জ তৌবদা বন্দ

শৌগৎপা কয়া অশোক অপন নংলে।

অমরোমদা, হরিয়ানা অমসুং চান্দিগরদদি বন্দ অসিনা মীয়ামগী নোংমগী পুন্সিদা থোইদোকা অকায়বা পীবা ঙমখিদে। চন্দিগরগী জিন্দ, রেৱারি, অম্বলা, রোহ্‌তাক, পানিপথ, কুক্ষেত্রনচিংবা মফমশিংদা বন্দগী মমি তাখিদে। কৈথেল, সরকারগী লোইশঙশিং, বেঙ্কশিং মহৌশাগী হাংনখি।

চেস (এল)ঃ  সার্ভিস রিক্রিএসন এন্দ ওর্গনাইজেসন ওফ য়ুথ (স্রোই) ক্লব, শিংজমৈনা শিন্দুনা অহানবা শিংজমৈ কন্সটিট্যুন্সি এম.এল.এ- ত্রোফি ষ্টেট লেবেল ওপন চেন তুরনামেন্ট লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতগী হৌরগনি। শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ৮ মখায়দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

বেদমিন্টন ঃইন্দোনেসিয়াগী পেকানবারুদা চথুরিবা বেদমিন্টন তুরনামেন্ট, ইন্দোনেসিয়া ইন্তরনেসনেল চেলেঞ্জ ২০২৪ গী মেটচ অমদা মণিপুরগী মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ভারতকী কিরন কুমার মেখলাবু ২১-১৬, ২১-৯ দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংবা ঙমখ্রে।

------